ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯄꯥꯛꯄꯣꯛꯄ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯴, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারী ২৪, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২৯৩শুবা মশীং

## চোকথদবা লা গনেসন

## লৈঙাক্লোই পূম্নমক্না তমজনীংঙাইনি

মণিপুরনা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা মশাগী মশা অমত্তা ওইরকখিবদগী ষ্টেটসিগী তোঙান-তোঙানবা থাক্তা লৈবাক লৈঙাক্লোনগী লুচিংবা মকোকশিং য়ুনিয়ন লৈঙাক্না থেঙ্খাং নাইনা হাপ্লকখ্রে। য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইরিঙৈদনা 'লেপ্টনেন্ট গভর্ণর' শিং হাপ্লকখ্রে। জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবদগীনা গভর্ণরশিং হাপ্লকখ্রে। করিগুম্বা মতমদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী গভর্ণরশিংনা মণিপুরগীসু অহেনবা থবক ওইনা পুহনবা য়াওখ্রবা ফাওবদা তোঙানবা গভর্ণরশিং মথং-মথং হাপ্লকখ্রে। মসি পূম্নমক লৈবাকসিগী পার্লিয়ামেন্টরি সিষ্টমদা চত্থরক্লিবা লৈবাক লৈঙাক্লোনগী মচৎতু মণিপুরদসু লৈহন্নবগীদমক্তনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী ওইনা তৌফম থোকপা থবকশিংনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা ষ্টেটসিগী গভর্ণর ওইনা লাকখিবশিংগী মনুংদা লা গনেসন থোইদোক হেন্দোক্লা মঙোন্দা শিন্নবা থবক-থৌরম অমসুং পাৱরশিং ষ্টেটসিগী মীয়ামগীদমক নীংথিজনা পাঙথোকপা অমসুং শীজিন্নবা গভর্ণরনি হায়নীংই। লাইরিক লাইশুগী লম্‌দা মহাক কুমজা ১৯৬০দা গ্রেজুএসন লোইশিনবা মীওইনি। টামিল নাদুগী ব্রাহ্মন ইমুং অমদা কুমজা ১৯৪৫গী ফেব্রুৱারী ১৬তা পোকখিবা মহাক লৈবাকসিগী এক্টিভ পোলিটিক্সতা শরুক য়ারকখিবা পোলিটিসিয়ন অমনি। ওগষ্ট ২৭, ২০২১দা মণিপুরগী গভর্ণর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক টামিল নাদু বি জে পিগী শক্লাইরবা সিনিয়র লীদর অমা ওইরমখিবনি। মণিপুরগী গভর্ণর ওইরক্লবা মতুং মমাঙ চহী ২০২২গী জুলাই ১৮দগীনা নবেম্বর ১৭ ফাওবসু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্ণরগী অহেনবা থবকসু পুখ্রে। অদুবু মশাগী চহী ৭৭ শুরক্লবা লা গনেসননা মণিপুর মীয়ামগীদমক তৌরক্লিবা থবকশিংসিদি তৌফম থোকপা থবকশিং ওইরবসু থাগৎনীংঙাইনি। মহাক্কী মমাঙদা ফমসি পুরকখিবা মীওইশিংনা গভর্ণরশিং ওইনা ষ্টেটসিগী তৌফম থোকপা মীয়ামগী থবক অমত্তা তৌরমদ্রে হায়বা নত্তে। মখোয়সু তৌরম্মী। অদুবু গভর্ণর লা গনেসনদি চীং-তম হায়বা খায়দনা লাপ্ল-লাপ্লবা মনুং-হঞ্জিনবা মফম কয়াদসু শিন-থুংনা চৎখৎলক্লি। মীয়ামগী লৈঙাক্কী লৈঙাকলোইশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা অৱাৎ-অপা, খুদোংচাদবশিং পাউদমদুনা পুকমেন-পাওমেন্নজরবা ঙমজদ্রবা খুঞ্জাশিংগী মনাক্তা হকথেংননা চৎতুনা উন্নরুই। মরী লৈনবা হীরম পূম্নমক্কী মতাংদা তাথোক-তাশিন তৌরুই হায়বনি।

গভর্ণরগী থবক অসিমক য়াম্না অফবা মখলগী থবকনি হায়নীংই। সিটিজেন সেন্ত্রিক গভর্ণমেন্ট অমসুং পীপলস গভর্ণমেন্ট হায়বদুমক্কী চপ চাবা ৱাহন্থোক পীবা থৌরাংনি হায়দবা য়ারোই। মহাক্কী খোঙচৎশিংসিদা চীং অমসুং তমগী খুঞ্জাশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা তাথোক-তাশিন তৌনবা খক্তা নত্তনা দিষ্ট্রিক্টশিংগী লোয়শঙ পূম্নমক্কী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসর (দি এল ও) শিংগসু হকথেংননা উন্নে। য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক পাঙথোকপা অমদি পায়খৎপা প্লান, পোলিসি, প্রোজেক্ট অমসুং স্কিমশিংগী থবক-থৌরমশিং কয়াম য়াম্না মঙম শাল্লবগে হায়বগী মতাংদসু য়েংশিল্লি। মীয়ামগী লূপ, খুলগী লুচিংবা, নুপী লুচিংবশিংগসু উন্নে। মখোয়দগী লাকপা ৱাকৎসু তায়, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীয়ামগীদমক তৌগদবা থবকশিংসু ময়েক শেংনা খঙহল্লি। মীয়াম্না মায়োক্নরম্বা খুদোংচাদবা, অৱা-অনাসি পূক্লিং চঙনা তায়। মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী হৌরগা চীফ মিনিষ্টর ফাওবদা হায়দুনা মীয়ামগী মনিং থুংহন্নবা হোৎনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা পীদুনা লাকই। মীয়াম্না ষ্টেটসিগী মকোক থোংবা অঙম্বশিংদা মখোয়গী ৱাকৎ য়ৌহন্নবা হোৎনবা অমসুং হকথেংননা উন্নবগী খুদোংচাবা ফংনীংবদা মায়োক্নবা অৱাবশিং লৈহন্দে। মহাক মশামক মীয়ামদুগী মীৎমাংদা লেপ্লুই। মরম অসিনা গভর্ণরগী থৌওং অসিমক মীয়ামগী মীহুৎশিং ওইরিবা ষ্টেটসিগী এম এল এ/মিনিষ্টরশিংদা নত্তনা মকোক থোংবা ওফিসল পূম্নমক্নসু তমজনীংঙাইনি। অদুগা গভর্ণরগী খোঙচৎশিংদা মীয়াম্না ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং, ইদুনা চে ওইনা পীশিল্লকপদা কাংথোরকপা মখোয়গী চাওখৎ-থৌরাংগা মরী লৈনবা ৱারোল পূম্নমক্কী মতুংইন্না লৈঙাক মকোক চীফ মিনিষ্টর য়াওনা লোয়শঙশিংনসু থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনগদবনি। মীয়াম্না খঞ্জবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লিংবা মীয়ামগী লৈঙাক হায়বদু চপ চানা ওইহনগদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮

১) ''**অথুইলুগী মঙলান**'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) ''**মসিনা ঐগী সাক্ষীনি**'' হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) ''**জয় জয়ন্তী**'' হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) ''**মিংশেলদা লৈচিল**'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ''**অঙাংগী লীলা মচা খরা**'' হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# স্পোর্টস পাৱর হাওসকী লমদমদা পোপি পান্বী

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৩৭**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ইশানা ইশাবু থাগৎচবগী ৱা নত্তনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট য়ুনিয়ন টেরিটোরি ময়াম অমা লৈরিবসিগী মনুংদা ঐখোয়গী ষ্টেট মণিপুর অসি স্পোর্টসকী লমদদি পাৱর হাওসনি হায়নরিবসিদা শুক্লান লাল্লরোই খল্লি। মরমদি ঙসিদগী চহী ৩০গী মমাঙদগী হৌনা মণিপুরদগী ওলিম্পিয়ন পুথোকপা হৌখ্রে। মখা মথং মথং শমথরক্তুনা হোকি, ৱেটলিফটিং, রেষ্টলিং, বোক্সিং, তেন কাপ্পা, শাফবা তান্নবনচিংবা ইভেন্ট কয়াদা মমিং লৈরবা প্লেয়র কয়া পুথোকখ্রে। নুপীগী ফুটবোলদদি মণিপুরনা ইন্দিয়া পূম্বা দোমিনেট তৌদুনা চৎলি। নুপাগী ফুটবোল প্লেয়রগী মতাংদসু মঙায় নেসনল চেম্পিয়নগুম্বগী টিম শেল্লকপা মতমদা মণিপুর মচা য়াওদবা করম্বা ষ্টেটকী টিম লৈরিবগে। হৌজিকসু টোপ লেভেলদা লৈবা টিমশিংগী মনুংদা মণিপুর মচা ৫০/৬০গী মথক্তা শান্নরিবসিনি। ফূনবা, কাউন-থিন্নবগী মতাংদসু মৈতৈ নুপীমচা অমা কন্না ফাওগৎলক্লি। ময়াম্না হেন্না খঙবীরম্লগনি মিক্স মার্সিএল আর্টস (এম এম এ) গী ষ্টার প্লের 'কোব্রা ক্যুইন-জোজো রাজকুমারী' মোইরাং। ফূদৎনবী, চায়নবীদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ওপোনেন্ট প্লেয়র নুপীমচাবু থিনগায়রম্লগা রিং মনুংদুদা মালেমগী মীয়াম ময়ামগী মমাঙদা কজেংলৈ উপ্তুনা মচু তরেৎকী ফিরালগা লোয়ননা মৈতৈ নুপীগী থৌনা উৎখি, মীয়াম পূম্বা ঙক্লখি।

স্পোর্টসকী পাৱর হাওস মণিপুরনা অনৌবা চহী কুমজা ২০২৩গী জন্যুৱারী থা লোইরমদাই অসিদসু পুৱারী ওইনা ইহৌরগদবা খুদোল অমসু তম্লল্লি। মদুদি পুৱারীদা ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়া পূম্বগী লীরবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ, রঞ্জি ট্রোফিদা মণিপুরগী ক্রিকেট টিমনা ফাইনেল চঙলকপা অসিনি। ইন্দিয়াগী লীরবা অফাওবা ইন্দিয়ন ক্রিকেট প্লেয়রশিংগী প্লেটফোর্ম ওইরিবা রঞ্জি ট্রোফিগী সেমিফাইনেলদা সিক্কিম থোইরমদুনা ফাইনেলদা বিহারগা থেংনরগনি। ফুটবোলগী লম্‌দা হায়রগনা নেসনল সন্তোস ট্রোফিদা মণিপুরনা অমুকখক্তি ৱিন্নর ওইখ্রে। অনীরকশুবা ঙমদ্রি। হন্দক্কী ইন্দিয়া পূম্বগী ক্রিকেট ফেনশিংগী মীতাফম ওইগদবা রঞ্জি ট্রোফিগী ফাইনেল লৌবা ঙম্লনবা ঐখোয় পূম্নমক্না পূক্লিং থৌগৎমিন্নসি। মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌরিবা প্লেয়রশিংনসু কোচ অমদি মেনেজরগী পাউতাক মতুংইন্না কোওর্দিনেসন লৈননা মায় পাক্লবগীদমক অৰৈবা থাক্তা শান্নরক্কনি খল্লি।

মণিপুরনা ইন্দিয়া অমদি মালেম পূম্বদা মশক তাক্লিবসি স্পোর্টস খক্তগী নত্তনা আর্ট এন্দ কলচরগী ওইবা জগোয়, ঈশৈ, ফিজেৎ-চাকচানচিংবা হীরম কয়াদসু ওইরিবনি। স্পোর্টস নৎত্রগা আর্ট এন্দ কলচরদা ইন্দিয়া পূম্বনা শকখঙবীবগী মথক্তা বন্দ, ইকোনোমিক ব্লোকেদ নুমিৎ ১৩৯নি তৌখিবদসু মমিং ফজনা চৎখিবনি। অদুগী ৱাদি নাগা পিছ টোকতা ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট (বাউন্দরি) গী মতাংদা এসেমব্লি মৈ থাদোকপা ঙম্বা জুন ১৮দা মীওই ১৮ থৱায় থাদোকপা মণিপুরী মৈতৈশিংগী লিংজেল মালেম পূম্বা শিনবা থুংখিবনি। অসিদসু নত্তে কংলাদগী অসাম রাইফলস লৌথোক্লবা, অফস্পাগী মায়োক্তা কংলা মমাঙদা চঙশিনখিবা ইমাশিংগী ফি থোংদবগী খোঙজং ঙসিসু পুৱারী ওইনা লৈহৌরি। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা পীক্তক্লা ঙানবা সনা লৈবাক মণিপুর অঙক অঙকপা থৌদোক কয়া থোক্লনবা লমদম অমসু ওইরি। অঙকপা থৌদোক থোক্লনবা লমদম অসিদা স্পোর্টসকী পাৱর হাওসকী লমদম অসিদা হন্দক মরক দ্রগ অমদি পোপি পান্বীনা মরম ওইরগা মমিং কন্না চৎখৎলকপা অসিমদি মীয়াম্না শোয়দনা ঙক্লরমগনি। হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি লেদ গভর্ণমেন্ট অসিনা ঈচং থৌনা ৱার ওন দ্রগসকী খোঙজং অসিগা ইরোয়ননা পোপি পান্বী য়ান্থৎপা, দ্রোন পাইহন্দুনা পোপি পান্বী হাৎতোক্লবা হীদাক কাপথবা অসিনা অনৌবা চহী ২০২৩ হৌরকপগী খুদোল ওইরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লেন্দ ওফ স্পোর্টস, পাৱর হাওসনা লেন্দ ওফ পোপি ওইরম্বদা ইন্দিয়া পূম্বা ঙক্লমগনি খল্লি। মসিমক্তি তশেংনা ইকায়নীংঙাইনি।

শোমদা ঐখোয়গী মীয়ামগী চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা পোপি পান্বী পূম্বা মণিপুরগী লৈমায়দগী মূথুৎকনি হায়বগী আশাদা পোপি পান্বী তকখৎতনা হাৎতোক্লিঙৈ তাঞ্জাদা কম্মান্দো পুলিস কাঙবু অমনা দ্রগ পুরম্বদগী ফাবগী ৱাথোক অমুক লাক্লে। মসিসু ঙক্তে করম হায়গনি। মণিপুরমুক ঙকপা মফম লৈতে মফম কৈদসু! মোরেদগী ককচীং তম্না দ্রগ পুদুনা লাকখিবা কন্সটেবল, রাইফলমেনগী থাক্তা লৈবা (হবিলদার অমদি য়াওব্রা) মখোয় মঙাদু শেঞ্জাও পায়বা নুংঙাই য়াইফবা ইমুং ওইরমগদবদি মান্দে। ট্রান্সপোর্টেসন চার্জ, কোরিয়র চার্জগী শেল খরা ফংনবা পুথোক পুশিন তৌবা ওইরমগদ্রা খল্লি। চীফ মিনিষ্টরনবুদি সর্ভিসতগী টর্মিনেট তৌগনি হায়খিবদু ৱাখল খজিক্তংদি খন্থহন্নীংই। মখোয় মঙা অদু থবক থদৎপীখ্রবগী তুংদা মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংনা ওইহৌগদবা ইমুংগী ফীভম... খল্লুবদা তূ চুংবা ফাওরকই। তৌবতবু মরালগী মতুংইন্না ফারবনিনা আইনগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা থবকপুদি শোয়দনা লৌখৎলক্লগনি।

মণিপুরদা পোপি য়েক্লবনি। তৌবতবু ইন্দিয়াগী মফম খরদদি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ নার্কোটিক্সকী মখাদা লাইসেন্স পীদুনা পোপি পান্বী থাবা য়াহল্লি। রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, উত্তর প্রদেশকী মফম খরদদি মেদিকেল অমদি সাইন্টিফিক প্রপোজেস ওইনা ওপিয়ম পোলিসিগী মতুংইন্না ফার্মরশিংদা পোপি পান্বী অকক্লবা চাংদা থাহন্দুনা শেন্দাল লন্বী ওইহনদবা নত্তে। পোপি পান্বীদগী পুথোকপা ওপিয়ম গমদগী শুংবা অতোপ্পা পান্বী অমত্তদগী ফংবা ঙমদ্রবা মোর্ফিন, কোনদিন, থেবাইন কান্নখ্রবা হীদাকনি। কেন্সর পেসেন্টনা অনাবগী চৈনানা খাঙবা ঙম্লক্ত্রবদা মোর্ফিন নত্তনা পান্বে লৈতে। পোপি গমদগী শুংবা কোনদিন লোক খুবগী লায়েংবদা মা'মুক ফবা হীদাক লৈতে হায়নৈ। মতম অমদা ফেন্সিদাইল সিরফ ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নখিবদুনি। অসুক কান্নখ্রবা পোপি পান্বী উমং কোকথোক্তুনা চীংমাই চীংমাই থাগৎলকপদগী মণিপুরদা হৌজিক ঈকংগী অৱাবসু মায়োক্নরিবসিনি। চীংমায় পূম্নমক কোক্লে। উ পান্বী হৌদ্রে। নোংগী ঈশিং চুপশিনবা ঙমদবদগী লোককী ঈশিং কংনরকপদগী মণিপুরগী তুরেল অয়াম্বা ময়াং কংলে। পোপি পান্বী য়ান্থৎলগা পাক্তক্লনা উ থাবদা ঐখোয় পূম্নমক শরুক য়ামিন্নরসি। অমরোমদসু অমুক পোপি মরূ ঐখোয়গী হাউরবা মথেল অমা ওইনা, মরূ মরাং ওইনা এঞ্জাংদা থাক্লরিবনি। ঐখোয়না চান্নরিবা উসবতা আলু, খামেন অশিনবগা থোংবদা ঙা মরূম মানবা কাবাদু পোপি মরূনি হায়নরি। হৌজিক মণিপুরদা কাবা তাঙলে। তশেংনা কান্নখ্রবা পোপি পান্বী অসি লান্না কেমিকেল হাপ্লগা জাৎ জাৎকী দ্রগ শুংদুনা মীওই কয়াগী মঙফম ওইহনবা পান্বী অসি মণিপুরদগীদি ঙম্না মূৎখ্রসনু! ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১০২

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মথক্কী (ii) গা মরী লৈনবা নৈন ৱারোলগী মতুংইন্না লৌবা য়াবা ৱাফমশিং :-

মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবদগীনা মৈদিংঙু চরাইরোংবা (মৈদিংঙু পামহৈবগী মপা ইবুংঙো) ফাওবগী থৱায় মিরেলশিংনা লৌবিনবা/পেনবীনবা কৎখিবা লাংবন লুক্তি মৈদিংঙু পামহৈবা মশানা শান্তিদাস গোসাইনা গরিবনিৱাজ মহারাজ অদুগা হান্না মঙাং/নিংথৌজা য়েক ওইরম্ববু গোসাইগী থৌইনশিন্দগী শান্তিল্য গোত্র হায়না মমিং থোনবিরবা, য়েকপু গোত্রদা ওন্থোক্লবা মতুংদা ময়াংগী মপা মপুদা 'পিতৃলুক' হায়না কৎখিবদু, পামহৈবা নিংথৌগী মথক্তা পানখিবা মপা মপু - পুরেন নাককপা ফাওবগী ওইনদি ঈনাৎকী চৎনবীদা নোঙ্গাখ্রবা মক্তা ওইবনা অহল-লমনশিংগী থৱায় মিরেলশিংনা - হান্নগী চৎনরম্বা খুদিংমক শেমদোল্লগা কৎখিবসি - লৌরমদ্রবদি খঙদ্রে, করিগুম্বা লৌই হায়না খল্লবদি/লৌরবদি - পামহৈবা এলিয়জ গরিবনিৱাজদগী হৌরগা বোধচন্দ্র মহারাজ ফাওবগী মতমদা নোঙ্গাখ্রবা অলহ-লমনশিং অমদি বোধচন্দ্র মহারাজগী মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা নোঙ্গাখ্রবা অথেংবা মতমগী অহল হায়না লৌরবশিংনা য়েকপু গোত্রদা ওন্থোক্লবা, শিরবা মতুংদা বেষনাম 'এক্স দাস/ৱাই দাসী' শম্না লম্বোইখ্রবনি হায়না খল্লগা নোঙ্গাখ্রবা অহল লমনগীদমক - ''লাংবনগী হৈশোই অমদি লুক'' অমসুং চহীগী মথং মথং লাকপা কুমওনশিংগী লুকশিং'' সনামহী লাইনীং লাইশোন চৎপা মচা-মশুশিংনা, ঈনাৎ লাইনীংগী চৎনবী মওং/কাঙলোন্দা কৎপদসু শোয়দনা লৌফম থোকই হায়বসিদা লান্নীংঙাই মরম লৈতে।

অনীশুবদা, মীওইবা হায়বা খুন্নাই লিংদুনা ইবুধৌ পাখঙবনা পুথোক্তুনা লৈরম্লবা য়েকপু পামহৈবা এলিয়জ গরিবনিৱাজগী মতমদগী গোত্রদা ওন্থোকখিবা হায়বদি য়েক্কা গোত্রগা মশা অমত্তনি, মমিং ওন্থোকপা/হোংদোকপা খক্তনি। য়েক্লা তৌগদবা মরমশিংদি গোত্রদা ওন্থোকখ্রবসু অদুম মাঙদনা লৈবনা, লৈখিদ্রবা অহল লমনশিংগী থৱায় মিরেলশিংনা লৌবীনবা/পেনবীনবা মখল খুদিংগী পোৎ অমা ঈনাৎকী য়েক্তা শোল্লগা কৎপদা শোয়দনা ফংগনি হায়না লৌবা য়াই। অতৈ অহেনবা মরমদি মথক্তা পনখ্রে।

অহুমশুবদা, ইস্কোনগীদা লম্বোইবা/লম্বোইবী ওইরে হায়না অহিংবা অমদি অশিবা খুন্নাইদা খঙহন্নবা 'দাস/দাসী' হায়বসিদি সাইন্টিফিক ওইবনা য়ানীংবদু, মুকশন লাইনীংগীদা শিরবা মতুংদা 'দাস/দাসী' হায়না হায়জিনবা/থোনজিনবসিদি সাইন্টিফিক ওইদবনা ''অচুম্বা লম্বোইবা/লম্বোইবী'' গী থৌওং ওইরোই হায়না লৌবা য়াবনা - ঈনাৎকী য়েক্তা শোল্লগা কৎপা খুদিংমক অহল লমনশিংগী থৱায় মিরেলশিংনা শোয়দনা লৌগনি হায়বসি য়াবিফম থোকই।

মরিশুবদা, কাইনাদা হৌবা থৈবোং মসা অমৎতনা হিন্দুগী তেংপানবগী মপু (গোবিন্দ/কৃষ্ণ) সু ঈনাৎকী লাই ইবুধৌ পাখঙবসু ওইবনা (মথক্তা কয়ারক হন্না ইজখ্রে), ''ভাগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপ'' হায়বা লাইরিক্তনা থৈবোংসিদগী শেম্বা শকপাল মখৈদা সনামহী লাইনীংগী ওইবা 'পকশা নমলস্মী' হায়না ইদুনা য়াওরিবনিনা লাই অনীসি মশা অমত্তনি হায়বসিদা চিংননীংঙাই লৈরোইদ্রা খঞ্জে।

মুকশন লাইনীং লাইশোনগীদনা তেংপানবা মপু ওইরিবা গোবিন্দ/কৃষ্ণ হায়বসিদা মন্দির মনুংদা লৈবদা লুক কৎপনি। অদুগা ঈনাৎ লাইনীংগী ওইবদনা তেংপানবগী মপু, পোকপা শিবা নায়দবা, অমত্তা ঙাইবা/ওইবা শিদবা মপু মঙোন্দা লুকনচিংবা কৎপনি। মপু মাদি মালেমগী মফম শিন্থুংনা, মফম অমদা হেক্তা মথক্তা পনখিবা ইৱাৎ থৌনিগী থৌরম কাঙলোনশিং চপ চানা পাঙথোকপগী মথৌ অমদি তাই হায়না অখঙ অহৈ ওজাশিংনা হায়বি/তাকপী।

মথক্তসু হায়খ্রে, মীতৈদি লাইগী শক্তম লাৎনদে। চরৈ ফি ওইনা খুভম য়াদুনা কৎলগা ঈৱাৎ থৌনিজবনি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা ময়াংগী খুজিল থৌরাংগী মুর্ত্তি শাদুনা থমজিল্লগা মীতৈ পূম্নমক ঙাওনবা মরমতবু শিনখিবনি। (১৪/লংতাই ৱায়েল : হাওবম ইন্দ্রকুমার)। মসিগী মখা চত্থবদা মীতৈনা মুর্ত্তি থাজরে হায়বসি অমুক উরবদা মুর্ত্তি অমুক থুকায়নবা য়াথং খঙহল্লে। (লাৎরৈ লাথুপ/১৪: হাওবম ইন্দ্রকুমার)। মুর্ত্তি থুকায়বসু মতাং চাওবা শান্তিদাসনা শীনবদা লাইনিংথৌ সনামহীগী মুর্ত্তি শানবা শিনবসু লমপোইবা অসিননি। মরমদি মীতৈ লৈপাক্তা লাইগী মুর্ত্তি চৎনহৌনবা মরমগীনি।

ময়াংগী মতাৎনা মীতৈশিংবু নমথনবা শিনখিবগী মতাংদনা - ''লাইগী মুর্ত্তি হেক লিংখৎখিবদা মীতৈবু লাই শোকহন্দ্রে। ময়াং বামন মখৈনা লাই সেবা লোইনা তৌহনখ্রে। ময়াংগী মতাৎপু মীতৈনা উবা লৈখিদে। লাইশঙ মনুংগী মুর্ত্তিবু উখিদনবা হায়দুনা হান্না চৎনরম্বা মাঙওইননা য়েংদুনা খুরুম্নবা অদু তোকহনখি। নাকচেপতা মীৎয়েং পৈনা পৈনা য়েংহনববু চৎনহনখি। বামন মখৈনা লৌচাবু লৈরে হায়দুনা হরাও মথোয় কাজখি। অসুম্না ময়াং বামন খিবিক্লা ফূরা লাইশঙনুংদা লাইগী মুর্ত্তি লাৎপদি মীতৈগী অকায়বা ওইখিদো খঙবিয়ো। (১৬/লংতাই ৱায়েল; হাওবম ইন্দ্রকুমার)।

ৱারোইশিন :

ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদা নত্তনা য়ূমলোন্নবা মীরৈবাক বাংলাদেশ, ম্যান্মারনচিংবদা চোইজাইননা খুন্দারিবা মীতৈ/মৈতৈ ঈয়েকচাশিংনা মখোয় মশা মশাগী অনীংবা অপাম্বা পান্দম অমগা লোয়ননা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন অমদি ঈহৌ মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থাংলক্লিবা খোঙথাংশিং/লৌরম্লিবা অচেৎপা ফিরেপশিং য়াম্না অফবা অমনি, থাগৎচরি। অচুম্বা মায়ওন্দনি হায়দবা ঙম্লোই। লেপ্তুনা হেন্না কনশিন্না অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নবা অমদি হোৎনমিন্নবগী মথৌদি য়াম্না তারি। পান্দমসি ফংনবা মখাগী খোঙথাংশিংসি পূন্না পায়খৎমিন্ননীংই। মরমদি, তরাগী চৈশুনা লেংথোং ফায় হায়বা অমা লৈবনা।

১) অহানবমক্তদা ঐখোয়না খঙগদবা য়াম্না মরু ওইবা ৱারোল 'নোংথৌ শালাক পুয়া' দা য়াওবা খরদি -

'মপা মপু হুলানবা মীদি লোইনা তুম্না মাঙলগদবনে। শনপোৎ খূৎলঙ ৭পু অমত্তা মহীংগদবনে।'' ''মীতৈ লৈবাক্তি কায়রবসু অমুক হনজিল্লে। হান্নগী মতমগুম পাল্লখিগদবনে। ক্বাক নিংথৌগী মতমদি ১৩৭৪দা লোইরে।'' (৫২/লংতাই ৱায়েল: হাওবম ইন্দ্রকুমার)।

২) ঈনাৎকী অরিবা লাইফমলেনশিংগী মরমদা খঙবশিংনা লম চিংলগা লমদমসিগী চীং অমসুং তমদা হান্নদগী লৈরকপা লাইফমলেনশিং মশক ফজনা খঙদোল্লবা মতুংদা লৈবাক খুন্নাইগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা; খরা হন্থবা; লৈকায়/খুনগী ওইবা হায়না অমুক খায়দোল্লগা ঈনাৎলোয়শিংনা/খুন্নাইচাশিংনা অকোয়বগী ফীভমশিংসু য়াওনা পূন্না ঙাক শেনমিন্নবগী থৌদাং লৌমিন্নবা/লৈঙাক্কী মথৌ তারগনা, লৈঙাক মপুদা মতম চানা খুন্নাইচাশিংনা পাল্লিবা পন্দমদু ফংহনবীনবা হায়জবদা, লমদমসিগী হৌরক্লোন্দগী লেংফদ্রবা লাইফমলেনশিং ওইনা লৈরকপশিংবু মতম চূপ্পগী ওইনা ঙাক্তুনা থমজবা ফংহনবীয়ু হায়জবদা শোয়দনা য়াবিরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্বা।

৩) লৈশেমঙৈদগী হায়বদি য়াম্না লীরবা মতমদগী ঈনাৎ লাইনীং লাইশোনগা শাগোন্নবা ঈনাৎকী অশেংবা খোইয়ুম লাইশিং অমদি খোইমোম লাইরেম্বীশিংগী লাইফমলেন ওইরকপশিংদা নৌনা খাঙঙুথক্তা চঙশিল্লকপা/পুশিল্লকপা মীরম লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা লাইশিংগী লাইফমলেন হেক্তা ওইশিল্লবশিংসি 'রাম বব্রি মসজিদ' কী মতাংদা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা এপেক্স কোর্ট - সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা নবেম্বর ৯, ২০১৯দা তৌখিবা অদুম হায়না কেস ওইনা থেংনবা নত্তবীদা হায়বদি ওনরেবল এপেক্স কোর্টকী মপূং ওইবা পান্দমদি অশেংবা লাইফমলেননা অশেংবা লাইফমলেনদা থম্লগা কোন্না মফমদুদা চংশিল্লকপা লাইফমনা অতোপ্পা মফম অমদা লম পীরগা হোংদোকহল্লগা লাইফমলেনগীদমক মতম শাংনদগী য়েৎনদুনা লৈরকপদু লোইশিনবা ঙমখিবদুমায়না ষ্টেট লৈঙাক্লা অথুবদা মথৌ তাবা থবকশিং/খোঙথাংশিং লৌখৎপা হৌবিরগা থেঙ্খাং নাইনা মীরম লাইগী লাইফম্লেন ওইশিল্লিবশিং হোংদোকহনবা হৌবীবা/মদুগীদমক ঈনাৎকী লাইনীং লাইশোনগী ঙাক শেনবা অমদি কষ্টমগী মকোক ওইবিরিবা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ঈনাৎলোয়শিংগী মহুৎ শিনবীরগা ষ্টেট লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর/দিরেক্টর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা অইবা চেরোল পীশিনবীবগা লোয়ননা ষ্টেটসিগী লৈঙাক মপু ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা থবক ওইনা পাঙথোকহনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা পাউতাক পীবীনবা হায়জবদা লৈঙাক্লা অচুম্বা ৱাখলদা 'লিনসু শিনবা চৈশুং তেক্তনবা'; লাইসু য়ানবা, মীসু য়ানবা, কৈনৌ ৱায়েল' হায়বদু শিনবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগিনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্কা মরী লৈনদে।